# ষ্টেট লেভেল হেন্দ বোল টুর্নামেন্ট এমএলএ লোকেশ্বরনা হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ

মণিপুর হেন্দ বোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা য়াইফ লমজিং কাংলুপ চিংঙারেল তেজপুরনা শীন্দুনা ৪২শুবা জুনিয়র অমদি সেনিয়র ষ্টেট লেভেল হেন্দ বোল টুর্নামেন্ট ঙসি খুন্দ্রাকপমগী এমএলএ টি ঐচ লোকেশ্বরনা থৌরম মপু ওইদুনা চিংঙারেল টেজপুরদা লৈবা ৱাইএলকে গ্রাউন্দা হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী জুনিয়র কাংলুপকী ওইনা তোঙান তোঙানবা টিম মঙা- বিবিএময়াংইম্ফাল, ৱাইএলকে চিংঙারেল তেজপুর, সিটিজন ক্লব সোইবম লৈকায়, পব্লিক ক্লব তোপ খোংনাংখোং অমসুং সাইদোল লিলোংনা শরুক য়ারি। অদুগা নুপীমচাগী কাংলুপ্তা টিম মরি-বিবিএ, ৱাইএলকে, সিতিজন ক্লব অমসুং সাই আর সি তাকয়েলনা শরুক য়ারি।

ঙসি নুংথিল অহৌবা মেটচতা শান্নখিবা নুপামচাগী কাংলুপ্তা য়ুম্বু ৱাই এল কেনা সিটিজন ক্লবপু গোল ২৩-১৭ তা মায়থিবা পীখি।

য়ুম্বু টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রিক্রমজিৎনা গোল ১১, রাজেশ্বরনা ৬, ঐচ মাইকেলনা ৩ অদুগা কেঐচ নেপোলিয়ান, এল বেখম অমসুং টিঐচ সিলহৈবনা গোল অমমম চনবা ঙমখি।

অদুগা সিটিজন ক্লবকী গোলশিং অদুনা ৱাই ওরটেগা অমসুং দব্লিউ রোহিতনা গোল ৫।৫, এম রোহিতনা গোল ৩ অদুগা টিঐচ চিঙ্খেঙান্বা অমসুং এরিস শর্ম্মনা গোল ২।২ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা নুপীমচাগী মেটচ অমদা সিটিজন ক্লবনা বিবিএ ময়াংইম্ফালবু গোল ১৪-৮ দা মায়থিবা পীখি।

সিটিজন ক্লবকী গোলশিং অদু টিঐচ অঞ্জুবালা অমসুং টিঐচ জেনিতানা গোল ৫।৫ অদুগা ঐচ জেনিতানা গোল ৪ চনবা ঙমখি। ময়াংইম্ফাল টিমগী গোলশিং অদুনা সিঐচ ইনুংঙান্বী অমসুং এল রেমিকানা গোল ৩।৩ অদুগা আই সঙ্গনা অমসুং এ বেবেনা গোল অমমম চনবা ঙমখিবনি।

দবলস লেগ সিষ্টেমদা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসি ঙসিগী অয়ুক শান্নখিবা নুপীমচাগী মেটচশিংদা সাই আর সি তাকয়েলনা সিটিজন ক্লবপু গোল ২৫-৭ তা মায়থিবা পীখি।

অদুগা চপ মান্নবা কাংলুপকী মেটচ অমদা ৱাইএলকে চিংঙারেলনা বিবিএ ময়াংইম্ফালবু গোল ১৩-১ দা অদুগা সাই আর সি না বিবিএবু গোল ১১-৩ দা অমসুং সিটিজন ক্লবনা ৱাইএলকে ১৯-১৪ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা নুপামচাগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ুম্বু ৱাইএলকে চিংঙারেলনা পব্লিক ক্লব তোপ খোংনাংখোংবু গোল ২২-১৩ দা মায়থিবা পীখি।

কাংলুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা পব্লিক ক্লবনা বিবিএবু গোল ১৩-১১ দা মায়থিবা পীখি।

নুপামচাগী কাংলুপকী ঙসি শান্নগদবা অতোপ্পা মেটচ অহুমদা সাইদোন লিলোং লাক্তবদগী ৱার্ক ওভরদা বিবিএ, ৱাইএলকে অমসুং সিটিজন ক্লব মায় পাকখি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা ক্লব অসিগী অকোয়বদা উ-চারা কয়া অমসু অথোইবা মীথুংলেন টিঐচ লোকেশ্বরনা লমজিংদুনা থাখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়াইফ লমজিং কাংলুপকী প্রসিদেন্ট এস ইনাওবী মৈতৈনা থৌরম মপু অদুগা ইন্টরনেসনেল হ্যুমেন রাইট এসোসিয়েসন নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট, ম্যান্মার, চৈনাগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট কেঐচ রতনকুমার, শওম্বুংগী সব-দিভিজনেল ওফিসর এনজি জোগেন্দ্রো খুমনচা, ৱাইতোন গ্রাম পাঞ্চায়তকী প্রধান পি সুরবালা অমসুং কংলা গ্রাম পাঞ্চায়তকী প্রধান টি সোবাপটি লৈমনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ষ্টেটকী নুপীমচা বোক্সর ৯ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা মহারাষ্ট্রগী নাগপুরদা চত্থরিবা নাগপুর মেয়র্স কপ অহানবা সব-জুনিয়র গার্লস নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী তোঙান তোঙানবা ৱেঠ কেতেগোরিশিংদা ষ্টেটকী নুপীমচা বোক্সর ৯ ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা বাউতশিংদা য়ুম্নাম বেনিকা চনুনা কেরলাগী আরিয়াবু কেজি ৩৮গী কাংলুপ্তা মায়থিবা পীখি।

থিয়াম অবশারানা মহারাষ্ট্রগী জানহাবিবু পোইন্ট ৪-১ দা কেজি ৪২ গী কাংলুপ্তা মায়থিবা পীখি। বিদ্যা মৈস্নামনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী প্রিরোনাবু ৫-০ দা কেজি ৪৬ কী কাংলুপ্তা মায়থিবা পীখি।

হুইদ্রোম গ্রেবিয়ানা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী উরিশাবু কেজি ৪৮ কাংলুপ্তা, ৱাংজম ইথোইবী চনুনা সাতিসগরগী প্রিটিবাবু কেজি ৫০গী কাংলুপ্তা, এলাংবম থোইথোই চনুনা হিমচল প্রদেশকপী সিবাংগীবু কেজি ৫২গী কাংলুপ্তা, থোংঙাম কুঞ্জারানি চনুনা তেলঙ্গগী হরমিটপু কেজি ৫৪গী কাংলুপ্তা , লাইশ্রম সুস্মিতা চনুনা উত্তরখন্দ মেঘাবু কেজি ৫৭কী কাংলুপ্তা অমসুং ক্ষেত্রিময়ুম সিলকি দেবীনা য়ুপিগী গারিমাবু কেজি ৬০গী কাংলুপ্তা মায়থিবা পীখি।

হয়েং কেতেগোরিশিং অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউতশিং শান্নরগনি।

পনবা য়াবদি চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ষ্টেট অসিদগী নুপী বোক্সর ১২না শরুক য়ারকখিবনি।

অদুগা ষ্টেট টিম অসিগী মেনেজরনা কেএসঐচ সরত সিংহ নি। অদুগা কোচনা এম শ্যামচন্দ্র সিংহ অমসুং এন চিতরঞ্জন সিংহ অনীনা ওইরি।

# ষ্টেট লেভেল কেরোম চেম্পিয়ন্সিপ
# থৌবালগী য়াইখোম্বনা কেদেদ বোইজকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ

মণিপুর কেরোম এসোসিয়েসননা শীন্দুনা শিংজমৈ কম্ম্যুনিটি হোলদা চত্থরকপা ২৭শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অমদি ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপকী কেদেদ নুপামচাগী কাংলুপ্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এম য়াইখোম্বনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এম য়াইখোম্বনা চপ মান্নবা দিষ্ট্রিক্টকী এম গৌরববু সেট ২-০ (১৪-৮, ১৫-১১) দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট মরি- ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরদগী লাকপা নুপা শান্নরোই ১২০ অমদি নুপী শান্নরোই ২১ পুন্না শান্নরোই ১৪১ শরুক য়ারি।

অতোপ্পা সব-জুনিয়র নুপামচাগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ থৌবালগী কেঐচ রিথিকনা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী ৱাই য়াইখোম্ববু সেট ২-০ (২২-৪, ১৮-১১) দা মায়থিবা পীখি।

অদুগা কাংলুপ অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা থৌবালগী এসঐচ সুরেসনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী রোনাল্ড সাইখোম্বু সেট ২-০ (১৭-১২, ২৪-৬) তা মায়থিবা পীখি।

রিথিক অমদি সুরেসনা কাংলুপ অসিগী ফাইনেল মেটচতা হয়েং অয়ুক লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা সব-জুনিয়র গার্লসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শান্নরোই অনী মমতা তৌরাংবম অমসুং এলেসিয়া ৱাঙ্খেম অনীনা শান্নখিবদা মেটচ ঙাইহাক শান্নরবা মতুং এলিসিয়াগী খুৎ ইঞ্জরি ওইবদগী মমতানা ৱার্ক ওভর ফঙদুনা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মুতুম এরিনানা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী সাইখোম জিতেশ্রিবু সেট ২-০ (২৪-৫, ১৭-১০)দা মায়থিবা পীখি।

কাংলুপ অসিগী ফাইনেল মেটচতা মমতা তৌরাংবম অমসুং মুতুম এলিনা অনীনা হয়েং শান্নরগনি।

হয়েং জুনিয়র নুপা অমদি সেনিয়র নুপীগী মেটচশিং শান্নরগনি।

# য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিংজমৈ অরোইবা ক্বার্টরদা মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ

ইবুধৌ ৱাংপুরেল খানা চাওবা কাং কম্মিটিনা শীন্দুনা কোংবা মখা নাদেবম লৈকায় লাইকোনদা চত্থরকক্লিবা ৫শুবা থোঙাম শাজৌ নিংশিং মিক্স কেন্দ্র-ৱাইজ লীগ কম নোক আউত কাং টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎনা শিংজৈম কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ৩দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ১৬তগী হৌদুনা টিম ১৩না গ্রুপ ৪ থোক্তুনা শরুক য়ারি।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা থা অসিগী ৬তা থোংজু কেন্দ্র-এ কাংখুৎ অমদি কোম্থৌজম কেন্দ্র কাংখুৎ অনীনা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা থা অসিগী ৭তা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎ অমদি ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎ অনীনা শান্নরগনি।

ঙসি য়াইস্কুল অমদি শিংজমৈ অনীনা শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা য়াইস্কুল কাংখুৎনা অপীবা মতমগী শান্নবদা পুন্না পাঞ্জল ১৬ লৌবা ঙমখি। অদুগা শিংজমৈ কাংখুৎনা পাঞ্জল ১৩ লৌদুনা য়াইস্কুলগী মখুৎতা পাঞ্জল ৩ দা মায়থিদুনা সেমি ফাইনেলগী আশা অরেম্বা তাখি।

# ককচিং রন্নর্সনা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ

ককচিং রন্নর্সনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা ককচিং ৱার্ল্ড ৱার-টু মেমোরিয়েল রন ২০১৮ দা শরুক য়াগদবা অমদি য়েংবা লাক্কদৌরিবা প্রজাশিংদা তোঙান তোঙানবা তৌগদবশিং খঙহল্লক্লি।

রন্নর্স পুম্নমক্না ইশা-ইশাগী বিআইবি চেষ্ট নম্বর থা অসিগী ৭ অমদি ৮গী অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা ককচিং চুমনাংদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা লৌরনবা খঙহল্লক্লি।

অদুগা রন্নর্স অমসুং পার্টিসিপেন্ট খুদিংমক্না লমজেল চেনগদবা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৪দগী ৬ ফাওবা ইশা-ইশাগী চেষ্ট নম্বরগা লোয়ননা ককচিং এরোদ্রোমদা লৈবা অসাম রাইফলস কেম্পকী গেটতা রিপোর্ট তৌগদবনি। অদুগা লমজেল অসিবু য়েংবা লাকপশিংনা মশা-মশাগী অধার কার্দ লোয়নবীরক্তুনা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৪দগী ৬ ফাওবা অদুগা ৮.৩০ দগী ৯.১৫ ফাওবগী মনুংদা চঙবা য়াগনি। অদুবু হেন্দ বেগকুম্বা লোয়নরকপদি য়ারোই।

মখাতানা ফোঙদোরকপদা লমজেল অসিগা মরি লৈননা ষ্টেট অসিগী লমজেল্লোয় অমদি অতোপ্পা ষ্টেটতগী লাকপশিংগী চৎথোক-চৎশিনদা খুদোংচানবগীদমক কনাগুম্বা সিএসও অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা থা অসিগী ৭, ৮, ৯দা বন্দ অমদি ব্লোকেদনচিংবা তৌদনবা অপীল তৌরক্লি।

# ষ্টেট ওপন কেস প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮
# অশ্বজিৎ অমদি বিকিনা য়ু-১৪ বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা থেংনরগনি





ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ

মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা লমফেলপাৎতা লৈবা ওফিসর ক্লব টেন্নিস কমপ্লেক্সতা চত্থরক্লিবা ৩৮শুবা ষ্টেট ওপন কেস প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী চহি -১৪ মখা নুপামচাগী সেমি ফাইনেল মেটচশিং ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা অশ্বজিৎ অমদি বিকি শগোলশেম অনীনা কাংলুপ অসিগী ফাইনেল মেটচতা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা বিকিনা ঐচ সঙ্করবু ৬-০, ৬-২ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অশ্বজিৎনা টিঐচ নিরজপু ৭-৬ (৬), ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা চহি -১২ মখা নুপামচা সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা অশ্বজিৎনা টিঐচ রজিপ কুমারবু ৬-০, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

অতোপ্পা চহি -১৪ মখা নুপীমচাগী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা এন চরমিনা ৱাই থোইবীবু ৬-১, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

লেদিস সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা বন্তি চোংথামনা দেল্লিনা মুতুমবু ৬-০, ৬-০ অদুগা ৱাই অগুনা ঐচ পুজাবু ৬-৪, ৬-৪ দা অমসুং এল লিন্দনা হিজম মেলোদিবু ৬-০, ৬-০ দা মায়থিবা পীখি।

কাংলুপ অসিগী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা বুসোরিয়া কে রিপোর্ট তৌরদবদগী এন চরমিনা ৱার্ক ওভর ফঙদুনা মায় পাকখ্রে।

চহি-১২ মখা নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা এল ননদিনা জি অভা শর্ম্মবু ৮-০ দা অদুগা পুর্জা সাইখোমনা মেক্সলা সৈখোম্বু ৮-০ দা অমসুং ৱাই থোইবীনা জি অননয়া শর্ম্মবু ৮-১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা মেন্স দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা টি ব্রোজেন অমসুং রিবাস্করগী পিয়রনা মহেস অমসুং বিকিগী পিয়রবু ৬-২, ৬-০ দা মায়থিবা পীখি।

টি পামৈ অমদি অজাদ খানগী পিয়রনা প্রিতম অমদি সনায়াইমগী পিয়রবু ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা রাহুল অমসুং বেক্করগী পিয়রনা টিঐচ ইবোহল অমসুং তুলেশ্বরগী পিয়রবু ৬-১, ৬-০ দা অমসুং লিলেনজি অমসুং প্রেমজিৎ অনীগী পিয়রনা সুরজ অমসুং জিতেনগী পিয়রবু ৬-১,৬-৪ দা মায়থিবা পীখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা মেটচশিং শান্নরগনি।

# ২১শুবা পট্টমা দেবী মেমোরিয়েল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট
# এলইসি-এ কাংখুৎনা ইমা কাংখুৎ কছারবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ

দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন জিরিবাম, মণিপুরনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা লমলেন কম্মুনিটি হোল কম কাংশঙদা চত্থরক্লিবা ২১শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিয়েল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী লীগ মেটচ অমদা এলইসি-এ বাবুপারা কাংখুৎনা ইমা কাংখুৎ কছারবু পাঞ্জল ১১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি জিরিবামগী আইবি লৈকায়দা লৈবা এন জয়চন্দ্র সিংহ অমসুং মহাক্কী মচিন মনাওশিংগা লোয়ননা মখোয়গী অপোকপীগী মীংদা কৎচবা টুর্নামেন্ট নি। টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৯না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়ারিবনি।

ঙসি অপীবা মতমগী শান্নখিবা মেটচ অদুদা এলইসি-এ বাবুপারানা পাঞ্জল ১৮ লৌবা ঙমখি। অদুগা ইমা কাংখুৎ কছারনা পাঞ্জল ৭ লৌদুনা এলইসি-এ গী মখুৎতা পাঞ্জল ১১দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ও মঙ্গি মৈতৈনা অম্পয়র অদুগা এ ইবোতোন সিংহনা স্কোরর ওইনা শরুক য়াখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা গ্রুপ- বিগী লীগ মেটচ অমদা এসএৱাইসি-বি কাংখুৎ সোরোক অতিংবী অমসুং এমআইটিএল কাংখুৎ জিরিবাম অনীনা নুংথিল পুং ১দা লম্বা তৌনরগনি।

# ককচিং অমসুং থৌবালগী ইন্টর স্কুল ফুটবোল, তাইকুন্দো অমসুং ফেন্সিং টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ

দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এন্দ স্পোর্টস ওফিসতা থৌবাল অমসুং ককচিংনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিন অহুম-ফুটবোল, তাইকুন্দো অমসুং ফেন্সিংগী ওইবা ইন্টর স্কুল টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১৯দগী হৌদুনা ২২ ফাওবা ৱাংজিংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

ফুটবোলগী ওইনা চহি-১৯ মখা নুপা অমসুং নুপীগী পাঙথোক্কনি। তাইকুন্দো অমসুং ফেন্সিংগী ওইনা চহি-১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী পাঙথোক্কনি।

মখাতানা দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিদা লৈরিবা স্কুলগী শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা ইন্ট্রি ফোর্ম সম্মিট তৌনবা খঙহল্লক্লি।

# হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাইয়িং মেটচশিংদা
# ইন্দিয়াগী মোহমেদ মুনৱার অমসুং কে ভৈস্নভি মায় পাকখ্রে



হায়দরবাদ, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ

টেলঙ্গনাগী কোনুং হায়দরবাদতা হয়েংদগী হৌদুনা চত্থগদৌরিবা হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাইয়িং মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী মোহমেদ মুনৱার অমসুং কে ভৈস্নভি মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী মোহমেদ মুনৱারনা অহুমশুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই অনসাল যাদবপু ৮-২১, ২২-২০, ২২-২০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফাইয়িংগী অহানবা রাউন্দা ইন্দিয়াগী কে ভৈস্নভিনা অহুমশুবা সিদেদ হোং-কোংগী কা য়ান থানবু ১৩-২১, ২১-১৪, ২১-১৯ দা মায়থিবা পীরমখি।

নুপাগী ক্বালিফাইয়িং মেটচকী অহানবা রাউন্দগী সিঙ্গলস মেটচতা ইন্দিয়াগী অমোলিকা সিংহ সিসোদিয়ানা য়ুএসএগী রুহিরাজুবু ২১-১০, ২১-১৫ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই রিতিকা থাকরনা ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফাইয়িংগী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী রিসমা অনেস্তাসিবু ১৬-২১, ২২-২০, ২২-২০ দা মায়থিবা পীরমখি।

সাউথ কোরিয়াগী অন সেয়ংনা ইন্দিয়াগী তানিস মামিলা পালিবু ২১-১৬, ২১-১৬ দা ক্বালিফাইয়িংগী অহানবা মেটচতা মায়থিবা পীরমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী চোইরুনিসা চোইরুনিসানা ইন্দিয়াগী পুরভা বরভেবু ২১-১৭, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বালিফাইয়িংগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দোনেসিয়াগী শ্রীরহায়ুনা ইন্দিয়াগী নেহা পান্দিতপু ২১-১২, ২১-১৩ দা থোইরমখি।

হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী য়াস গোগিনা ইন্দোনেসিয়াগী সুসান্তো এন্দ্রিয়ুবু ১৬-২১, ২১-১৭, ২১-১৯ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দিয়াগী অরিনতাক দাসগুপ্তনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বালিফাইয়িংগী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়াগী সিয়োং হিয়ুন সোনবু ২২-২০, ১১-২১, ২১-১৮ দা মায়থিবা পীরমখি।

নুপাগী ক্বালিফাইয়িং মেটচ অসিগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দ মেটচতা মালেসিয়াগী বাসিগারন ইভেসগারাননা ইন্দিয়াগী মানিস গুপ্তবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ২০-২২, ২১-১৩, ২২-২০ দা থোইরমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বালিফাইয়িংগী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী অজয়কুমারনা লৈবাক অসিগীমক্কী অতোপ্পা শান্নরোই অনন্ত সিভম জিন্দলবু ২১-১৩, ১৫-২১, ২১-১২ তা মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দোনেসিয়াগী রুমাবে ইখসাল লিয়োনার্দোনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বালিফাইয়িংগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী মারি শ্বামি রঘুবু ২১-৯, ২১-১৭ দা থোইরমখি।

ইন্দিয়াগী যাসগিনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বালিফাইয়িংগী অহানবা মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী সুসান্তো এন্দ্রিয়ুবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ১৬-২১, ২১-১৭, ২১-১৯ দা মায়থিবা পীরমখি।

হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মেন দ্রো হয়েংদগী শান্নবগা হৌরগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা সিঙ্গলস শান্নরোই ভি সাই প্রনিথ, সমির ভর্মা অমসুং সৌরভ ভর্মাসু শরুক য়াগদৌরি।

লোয়ননা ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবা দবলস শান্নরোই আশ্বিনি পোনাপ্পা অমসুং এন সিকিরেদিসসু টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*